# ইমরানগী খানগী মায়োক্তা নো-কনফিদেন্স মোসন পুথোক্লবা মতুংদা পাক নেসনেল এসেমব্লি মার্চ ৩১ দা য়ৈথোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা নেসনেল এসেমব্লিদা নো-কনফিদেন্স মোসন পুখৎলবা মতুংদা হাউসকী প্রোসিদিংস মার্চ ৩১ দা য়ৈথোকখ্রে।



নো কনফিদেন্স মোসন অদু পুন্না মেম্বর ১৬১ না শৌগৎখি। নেসনেল এসেমব্লিদা পাকিস্থানগী ওপোজিসন লিদর ওইরিবা পি এম এল-এনগী প্রসিদেন্ট শাহবাস সরিফনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নো-কনফিদেন্স মোসন অদু লৱার হাউসতা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা পুথোকখিবনি।

ইমরান খানগী পোলিটিকেলগী লাইবক অরুবা ফিভমদা লাকপগা লোয়ননা খোঙথাং অসি মরু ওই হায়না লৌনরি। মশাগী পার্টিগী মেম্বর কয়া মহাক্কী মায়োক্তা লাকখিবনি। রিজোলুসন অদু টেবল তৌরবা মতুংদা নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকরনা রিজোলুসন অদুগী মতাংদা মার্চ ৩১ দা দিবেট হৌরগনি হায়না লাউথোকখি।

লোয়ননা এসেমব্লিগী সেসন মার্চ ৩১ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী ওইনা য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখি। সেসন মনুংদা নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর কাসিম সুরিনা মোসন অদুবু শৌগৎপা পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বরশিংদা মখোয়গী অপূনবা মশিং খঙননবা লেপখৎনবা খঙহনখি।

সেসন হৌদ্রিঙৈ ঙাইহাক্কী মমাঙদা ওপোজিসনগী লুচিংবগা উন্নবদা নেসনেল এসেমব্লিগী স্পিকর অসাদ কৈসরনা মখোয়দা নো কনফিদেন্স মোসন অদু পুথোক্লবা মতুংদা সেসন অদু য়ৈথোক্কনি হায়না খঙহনখি। লুচিংবশিংনা সেসন অমুক মখা চথদুনা হাউসনা নো-ট্রষ্ট মোসন অদুগী মতাংদা দিবেট তৌনবগী ৱাফম য়ান্নখি।

হন্দক্তা লৈখিদবা রুল্লিং পিটিআইগী হাউসকী মেম্বর অমা ওইরিবা খায়ল জমানদা ইকায় খুম্নবা উৎলবা মতুং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা নো-কনফিদেন্স মোসনগী সেসন অদু এদজোর্ন তৌখিবনি। পিপিপিনা ইস্লামাবাদতা গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা অশাংবা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবা মতুং মার্চ ৮ দা নো-কনফিদেন্স মোসন অদু সবমিট তৌখিবনি।

রুল্লিং পিটিআইগী লো মেক্কর কয়া ইফোঙ ফোঙনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা থোক্লকখিবগা লোয়ননা মোসন অদু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না ওপোজিসন্না থাজরি। খানগী খ্বাইদগী শাথিরবা খুদোংচাদবা হায়বা তারবদি হন্দক্তা মশাগী পার্টিদগী হাউসকী মেম্বর ২০ ইস্লামাবাদতা লৈবা সিন হাউসতা চঙজফম লৌখিবা অসিনি। মখোয় অমত্তা ইরাই নুমিত্তা নেসনেল এসেমব্লিদা কাখিদে।

পাকিস্থানগী নেসনেল এসেমব্লিগী অপূনবা ষ্ট্রেংথ অসি মেম্বর ৩৪২ নি। মসিদা মেজোরিটি মেম্বর মশিংনা ১৭২ নি। পিটিআইনা লুচিংবা কোলিসন মেম্বর ১৭৯ গী সপোর্টকা লোয়ননা শেমখি। কোলিসন অসি শেমখিবা মতমদা ইমরান খানগী পিটিআই মেম্বর মশিং ১৫৫ ওইখি। মরু ওইবা মীচং মরি হায়বদি মুটাহিদা ক্বামি মুভমেন্ট-পাকিস্থান (এমক্যুএম-পি), পাকিস্থান মুস্লিম লিগ-ক্বাইদ (পিএমএল-ক্যু), বেলোচিষ্টান অৱামি পার্টি (বিএপি) অমসুং গ্রান্ট দিমোক্রেটিক এল্লাইএন্স (জিদিএ) গী মেম্বর মশিং মথং শিৎনা তরেৎ, মঙা, মঙা অমসুং অহুমনি।

# কিভনা রসিয়াগা ন্যুট্রেল ষ্টেটস খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ: য়ুক্রেন প্রসিদেন্ট

লভিব, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা চয়োল অসিদা টর্কিগী ষ্টানবুলদা পিছ টোক্ষ মখা চথদনবা লেপ্লে হায়না ক্রেম্লিন্না কনফার্ম তৌখ্রে।



অমরোমদা, নাকল অনীগী মরক্তা চথগদৌরিবা মথং রাউন্দগী পিছ টোক্ষ অদু ভর্চুয়েল ওইনা পাঙথোকপগী মহুত্তা মায় মায় ওনশিন্নরগা ফম্মিন্নদুনা চথরগনি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ৱাফম অসি রসিয়াগী চীফ নিগোসিটর ব্লাদিমির মেদিন্সকিনা ফেসবুক্কী খুথাংদা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্কী মতুং ইন্না মথং রাউন্দগী দিস্কসনশিং অদু টর্কিদা লৈবাকপোকপা, মার্চ ২৯ অমসুং য়ুমশকৈশ, মার্চ ৩০ দা পাঙথোক্লগনি।

য়ুক্রেনগী চীফ নিগোসিএটর দেভিদ অরাখামিয়ানসু পিছ টোক্ষ অদু মার্চ ২৮ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না কনফার্ম তৌখি। টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেফ টায়িব ইর্দোগান্না নোংমাইজিং নুমিত্তা রসিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা ব্লাদিমির পুটিনগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা ইষ্টানবুলদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী ৱাফম য়ানখিবনি।

চৈরকসিদা চয়োল অসিদা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা টর্কিদা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিদা মরু ওইনা সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফমদা মীৎয়েং থমগনি হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি লান লোইশিন্নবগী পান্দমদা রসিয়াগা পুরক্কদৌরিবা পিছ দিলগী শরুক অমা ওইনা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা ন্যুট্রেল ষ্টেটসকী ৱাফম অসি খন্নবা য়ানিংই। সেক্যুরিটি গরেন্টি, ন্যুট্রেল ষ্টেটস অমসুং য়ুক্রেনননা নন-ন্যুক্লিয়র ষ্টেটস ঙাকপগী ৱাফম খন্নরকপা য়াই।

ঐখোয়না ৱাফমশিং অসি য়াননবা শেম শাদুনা লৈ। মসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পোইন্টনি হায়না জেলেন্সিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা রসিয়ন জর্নেলিষ্ট কাঙবু অমদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

ফেব্রুৱারী ২৪ দগী লান হৌখিবদগী মহাক্না অহানবা ওইনা ইন্দিপেন্দেন্ট রসিয়ন জর্নেলিষ্ট কাঙবু অমদা ৱা ঙাঙখিবনি। য়ুক্রেনননা থিন্থবা তৌদনা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা ৱারী শান্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ফিলিপিন্স অমসুং য়ুএসনা অচৌবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস হৌখ্রে

মনিলা, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
ফিলিপিন্স অমসুং য়ুএসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা মখোয়গী চহীগী ওইবা অচৌবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস হৌখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, বালিকাতান ২০২২ হায়না কোদতা মমিং থোনবা এক্সর্সাইজ অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদুদা ফিলিপিনো মিলিটরি পার্সনেল ৩৮০০ অমসুং য়ুএস মিলিটরি পার্সনেল ৫১০০ কা লোয়ননা লমদম অদুগী তোঙান তোঙানবা আর্মদ ফোর্সেসশিংগী ওবর্জাবরশিং য়াওরি।

কুমজা ২০১৫ গী মতুংদা ফিলিপিন্স-য়ুএসকী খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ ওইরিবা বালিকাতান ২০২২ অসি এপ্রিল ৮ ফাওবা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ইথৎ লুজোনদা পাঙথোক্কনি। মিলিটরিগী মতুং ইন্না দ্রিলশিং অদু মরু ওইনা মেরিটাইম সেক্যুরিটি, এম্ফিবিয়স ওপরেসন, লাইফ ফায়র ট্রেনিং, অর্বান ওপরেসন, এভিএসন ওপরেসন, কাউন্টর টেরোরিজম অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ান এসিষ্টেন্টস অমসুং দিজাষ্টর রিলিফতা মীৎয়েং থমগনি।

মদুদা সিম্যুলেটিদ ইনভাইরনমেন্টদা ফোর্স অনীগী প্লান্ট, কম্মান্দ অমসুং কম্যুনিকেট তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়াইশিংসু টেষ্ট তৌগনি।

বালিকাতান অসি ফিলিপিন্স অমসুং য়ুএসকী মরক্তা পাঙথোকপা অপূনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী মপুং ফাবনি হায়না লৌনৈ।

ভিজিটিং ফোর্সেস এগ্রিমেন্ট (বিএফএ) না য়ুএস ট্রুপশিংদা বাইলেটেরেল এক্সর্সাইজশিং পাঙথোক্লবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা লৈবা য়াবগী অয়াবা পীরি। এগ্রিমেন্ট অসিনা অমেরিকান আর্মদ ফোর্সেস পার্সনেলশিংগী কন্দক্ট গভর্ন তৌরি।


অদুম ওইনমক অচৌবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ অদুনা রিজনেল সেক্যুরিটিদা অকিবা পোকহনবা য়াই হায়না ফিলিপিন্সকী পোলিটিসিয়ান খরনা চিংনবা উৎখি।

প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট অমসুং লেবর লিদর কালিওদি ডে গুসমন্না ফোঙদোকখিবদা বালিকাতান ট্রেনিং এক্সর্সাইজ অদুনা মহাকপু নুংঙাইহন্দে। মদু কায়হৌবগী থৌওং অমা ওইবা য়াই।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ফিলিপিন্সনা মতম পুম্বদা ইন্দিপেন্দেন্ট ফোরেন পোলিসি অমা চল্লাইগদবনি। লৈবাক অসি কৈদৌঙৈদসু অতোপ্পগী ইথিলদা চৎলোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ১৯৭১ গী জেনোসাইদ শকখঙনবা বংলাদেশনা য়ুকে পার্লিয়ামেন্টদা তকশিনখ্রে

লন্দন, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা জেনোসাইদশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ১৯৭১ দা পাকিস্থানি ফোর্সশিংনা চথখিবা জেনোসাইদ শকখঙনবগী মোসন অমা পুথোক্তুনা পাস তৌনবা লন্দনদা লৈরিবা বংলাদেশকী হাই কম্মিস্নার সাইদা মুনা টাস্নিমনা য়ুকে পার্লিয়ামেন্টদা তকশিনখ্রে হায়না এসিয়ান লাইটকী রিপোর্টনা হায়রি।



বংলাদেশকী হাই কম্মিসন অমদি য়ুনিভর্সিটি কলেজ লন্দননা শীন্দুনা ইরাই নুমিত্তা বংলাদেশকী নিংতম নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ভর্চুএল দিস্কসন অমদা টাস্নিমনা আপিল অসি তৌখিবনি হায়না হাই কম্মিসন্না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

টাস্নিমনা হায়খি, মদুদি মতমদুগী ফোরেন এফেয়র্স সেলেক্ট কম্মিটিগী চিয়ারমেন ওইরিবা পিটর সোরনা পার্লিয়ামেন্টদা মোসন অমা পুথোক্তুনা বংলাদেশকী নিংতম লান মনুংদা পাকিস্থানি লান্মীশিংনা ওৎ নৈখিবা কয়াবু কন্দেম তৌখি।

মতুং তাবদা এমপি ২৩৩ হেনবনা অতোপ্পা মোসন অমা পুথোক্তুনা বংলাদেশতা চথরিবা জেনোসাইদ লেপ্পনবা অমসুং বংলাদেশপু নিংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা শকখঙনবা তকশিনখি।

হৌজিক বৃটিস পার্লিয়ামেন্টনা জেনোসাইদ অদুবু শকখঙনবগী অনৌবা মোসন অমা পুথোক্কদবনি হায়না এসিয়ন লাইটকী রিপোর্টনা টাস্নিমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

মার্চ ২৫ বু নেসনেল জেনোসাইদ ডে লাউথোকপগীদমক টাস্নিমনা বংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনাবু থাগৎখি অমসুং জেনোসাইদ অদুগী মতাংদা মালেমদা এৱার্নেস পীনবা হোৎনবসি মখোয়গী মথৌদাংনি হায়খি।

কঞ্জার্বেটিব ফ্রেন্দস ওফ ইন্দিয়াগী চিয়ারমেন রামি রেঞ্জরনা হায়খি, মদুদি জেনোসাইদ অদুবু শকখঙবীনবা বংলদেশনা তৌরিবা দিমান্দ অসি মহাক্না মখা তানা শৌগৎখিবনি। পাকিস্থানি মীওৎ মীনৈশিংগী ভিক্তিমশিং অদুবু নীংশিংদুনা য়ুকেদা নীংশিং খুভম অমা থম্ননবা মহাক্না বংলাদেশতা তকশিনখি।

থৌরম অদুদা য়ুকেদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী হাই কম্মিস্নার গাইত্রি ইসার কুমারসু ৱা ঙাঙখি।

বিরভুম ভাইওলেন্স

# বিজেপি অমসুং ত্রিনামুলগী এমএলএশিং এসেমব্লিদা ফুনখ্রে

কলকত্তা, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হৌজিক লৈরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ষ্টেটমেন্ট অমা পীগদবনি হায়বা বিজেপিগী দিমান্দগী মতাংদা রুল্লিং ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লেজিসলেচরশিং অমসুং বিজেপিগী এমএলএশিংনা হাউসতা খৎন-চৈনরকপদগী ওপোজিসন লুচিংবা সুবেন্দু অধিকারি য়াওনা বিজেপিগী এমএলএ মঙা সস্পেন্দ তৌখ্রে।



নুপী মঙা অমসুং অঙাং অনী য়াওনা মীওই তরাবু খুৎ থারবা মতুং মৈ থারগা হাৎখিবা বিরভুমগী ভাইওলেন্সকী মতাংদা বিজেপিগী এমএলএশিংনা স্লোগান কয়া লাউবদগী এসেমব্লিদা চরাংনবা থোরকখিবনি।

থৌদোক অদু লোকেল ত্রিনামুল কংগ্রেস লিদর বাদু সেখপু ক্রুদ বোম এটেক্ট অমদা হাৎখিবগী লম্মন খুম্বনি হায়না মরাল শীবা লৈরিবনি।

কলকত্তা হায় কোর্টনা মীৎয়েং চঙলকপদগী সিবিআইনা মীহাৎশিং অদুগী মরমদা থিজিনবগী থবক চথরি। ভিজুয়েলশিংদা এমএলএশিংনা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা চয়োম শানা পুনবা অমদি অমগা অমগা খুৎ থোক্লবগী শক্তমশিং উবা ফঙখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা বিজেপিগী আইটি সেলশিং অম্মিট মালবিয়ানা ট্যুটরদা এসেমব্লিগী চরাংনবা ফিভম অদু উৎপা ভিদিও অমা থাগৎখি। মদুদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরিবদু লেপহন্নবা মার্সিয়েলশিং অমসুং পুলিস ওফিসারশিং ৱানা হোৎনবা উখি।

মালবিয়ানা ত্বিট অদুদা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিদা শাথিবা চরাংনবা ফিভম লৈখি। রম্পুর হাটতা থোকখিবা মীওই কয়া হাৎখিবগী থৌদোক্কী মতাংদা হাউসকী ফ্লোরদা দিস্কসন চথনবা দিমান্দ তৌবদগী টিএমসিগী এমএলএশিংনা বেঙ্গলগী গভর্নরগী মতুংদা বিজেপিগী চীফ হ্বিপ মনোজ তিগ্যা য়াওনা পার্টি অসিগী এমএলএশিংদা এটেক্ট তৌরি। মসিদা মমতা বেনর্জিনা লোৎশিন্নবা হোৎনরিবসি করিনো হায়না মালবিয়ানা হংখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা মনাতোনদা শোকখিবা ত্রিনামুলগী এমএলএ অশিদ মাজমুদার হোস্পিটালদা পুখৎখি।

ওপোজিসনগী লুচিংবা সুবেন্দু অধিকারিনা মহাক্কী মমায়দা কিননা থিল্লকখিবনি হায়না মাজুমদারনা ফোঙদোকখি। চরাংনবা থৌদোক অদুগী মতুংদা অধিকারি অমসুং বিজেপিগী অতে লেজিসলেচর মরি চহী অসিগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখি। অধিকারিনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা ওপোজিসন্না বেঙ্গলগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমগী মতাংদা দিস্কসন অমা পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবদা গভর্নমেন্টনা য়াখিদে। মখোয়না কলকত্তা পুলিসকী পার্সনেল কয়া মীচমগী ফিজোল শেৎহন্দুনা ঐখোয়গী এমএলএশিংগা খুৎ থোক্লহনখি। এমএলএশিং এসেমব্লি মনুংদা ফাওবা সেফ ওইদ্রে। চীপ হ্বিপ মনোজ টিগা য়াওনা য়ামদ্রবদা ঐখোয়গী লেজিসলেটর নিপান-তরা টিএমসিগী এমএলএশিংনা ফুখি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ত্রিনামুলগী লুচিংবা অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টর ফিরহাদ হাকিমনদি চরাংনবা থৌদোক অদুগী মতাংদা বিজেপিবু মরাল শীখি। হাউস মনুংদা ঐখোয়গী এমএলএ খরা অশোক অপন নঙখি। বিজেপিগী অসিগুম্বা কন্দক্ট অসি ঐখোয়না কন্দেম তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ফ্যুএলগী মমল হেনগৎপগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পাউখুম পীনবা ওপোজিসন্না তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিদা পেট্রোল, দিজল অমসুং চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎহন্দুনা ইনফ্লেসনগী ফিভম লাকহনবগী ৱাফম নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোক সভাদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা পুখৎখিবগা লোয়ননা ইস্যু অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেটমেন্ট অমা পীননবা তকশিনখ্রে।



ফ্যুএলগী মমল হেনগৎলিবসি রসিয়া-য়ুক্রেন লানগা মরী লৈনৈ হায়বা গভর্নমেন্টগী আর্গ্যুমেন্ট ওপোজিসন্না য়ানিংদবা উৎখিবগা লোয়ননা মমল হেনগৎপগী মতাংদা দিস্কসন অমা চথনবা দিমান্দ তৌখি।

লোক সভাগী লেজিসলেটিব এজেন্দা খন্নখিবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বিএসি) না মমল হেনগৎপা অমদি য়ুক্রেন-রসিয়ন লানননা চৈথেং পীবগী মতাংদা দিস্কসন অমা পাঙথোকপগী ৱাফম য়াখি। হাউসতা জিরো আৱর মনুংদা ইস্যু অসি পুখৎলদুনা হাউসতা কংগ্রেসকী লুচিংবা ওইরিবা অভির রঞ্জন চৌধরিনা হায়খি, মদুদি মমল ৱাংলকপা অসিনা মরম ওইদুনা ফুরিৎখাও হাংনরবা মীচম মীয়াম অৱাবা ওইরে।

পেট্রোল, দিজল, সিএমজি, পিএমজিগী মমলশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী পার্টিগী চীফ সোনিয়া গান্দ্বীনা ইনফ্লেসন-ফ্রি ইন্দিয়াগী কেম্পেইন অমা চথনবা ৱারেপ লৌরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৌধুরিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়া-য়ুক্রেন লানননা মরম ওইদুনা মমল হেনগৎলকপনি হায়না গভর্নমেন্টনা পাউখুম পীরি। মসি অচুম্বা পাউখুম নত্তে। মরমদি ঐখোয়না রসিয়াদগী থাউ চাদ ০.৫ তমক ইম্পোর্ট তৌই। গভর্নমেন্ট অসিনা হৌখিবা চহী নিপানগী মতম অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটিদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ২৬ তানখ্রে।

লাক্লিবা এপ্রিলদগী মমল হেনগৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রবা তঙাই ফদবা হিদাকশিংগী ওইবা নেসনেল লিষ্টতা য়াওবা দ্রগ ৮০০ হেনবগী ইস্যুসু মহাক্না পুখৎখি।

অসুম্না থাউ অমদি তঙাই ফদনা শীজিন্নরিবা হিদাক লাংথকশিংগী মমল হেনগৎহনবা অসিনা মীচম মীয়ামদা চৈথেং চাওনা পীবনা মরম ওইদুনা হেনগৎলিবা মমলশিং অসি হন্দোক্লবা অমদি ইস্যু অসিগী মতাংদা হাউসতা দিবেট চথনবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না চৌধুরিনা ফোঙদোকখি।

দিএমকেগী লুচিংবা টিআর বালুনা হায়খি, মদুদি পোৎচৈগী মমল হেনগৎপা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবসি তলৱ চাবা মীওইশিংদনি। হৌখিবা চয়োল অমগী মতমদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল লুপা মরি ফাওবা হেনগৎহল্লিবসি ঙক্লিংঙাইনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কর্নাটকা এসএসএলসি একজাম: হিজাব শীজিন্নবা ইনভিজিলেটর সস্পেন্দ তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
হিজাবকী ৱাথোক মরক্তা কর্নাটকাদা এসএসএলসি (ক্লাস টেন একজাম) গী অহানবা নুমিৎ ইংনা চিক্না পাঙথোকখ্রে।মহৈরোয় অয়াম্বনা য়ুনিফোর্ম শীজিন্নরগা একজাম থান্নখি। শুপ্পগী মহৈরোয় খরদমক একজাম থাখিদে অমসুং মহৈরোয় খরনা হিজাব শীজিন্নরগা লাকপদগী হলহনখি।

কেএসটিবি হায়স্কুলদা একজামিনেসন কন্দক্ট তৌবদা হিজাব লৌথোকউ য়াদবগীদমক দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন্না ইনভিজিলেটর অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

একজাম দ্যুটি তাবা নুর ফতিমা হিজাব য়াওরগা স্কুলদা লাকখিবনি। মঙোন্দা হিজাব লৌথোক্লবা হায়বদা মহাক্না য়াখিদে। মতুং তাবদা মহাকপু একজামিনেসন সেন্টর অদুদগী হলহনখিবগা লোয়ননা সস্পেন্দ তৌখি হায়না এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

বগলকোদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ইলাকাল গভর্নমেন্ট হায়স্কুলদা হিজাব শীজিন্নরগা একজাম থাবা লাকখিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা অমা হিজাব লৌথোকউ হায়রকপদগী একজাম থাদনবা ৱারেপ লৌখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা বেলাগাবি দিষ্ট্রিক্টতা মহৈরোয় নুপীমচা অমা য়াওনা ফেক কেন্দিদেট তরুক অতে মহৈরোয়শিংগী মহুৎ শিন্দুনা একজাম থানবা হোৎনরম্বদগী চাকোদি সিটিগী পুলিসনা দিটেন তৌখি। মখোয়গী হোল টিকেটশিং ইন্সপেক্সন তৌখিবা ওথোরিটিশিংনা মখোয়বু ফাখিবনি। অনুশ্রী কৌবী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় নুপীমচা অমা একজাম থারিঙৈদা লেকথরকখি। মহাক মহিশ্বর দিষ্ট্রিক্টকী টি নরাসিকুর সেন্টরদা হার্ট এটেক্ট তৌদুনা শিখি।

বেলাগাবিগী এমএলএ অনিল বেনাকেনা হিজাব অমসুং বুরকা শীজিন্নবা মহৈরোয়শিংবু লৈপীদুনা তরাম্না ওকখি। মতুং তাবদা মহৈরোয়শিং অসি মখোয়গী হিজাব অমসুং বুরকা লৌথোক্লগা একজাম থাখি। মাইনোরিটি মহৈরোয় নুপীমচাশিংগী মমা মপা কয়ানা মখোয়গী মচাশিং থিনবা লাকপদা হায়খি, মদুদি মখোয়গী ওইনদি এদুকেসন হায়বসি য়াম্না মরু ওই।



একাদেমিক চহী অসিগী ওইনা এসএসএলসি একজাম থাননবা পুন্না মহৈরোয় ৮,৭৩,৮৪৬ এনরোল তৌখি। মখোয়গী মনুংদা ৪,৫২,৭৩২ না নুপামচাশিংনি অমসুং ৪,২১,১১০ না মহৈরোয় নুপীমচাশিংনি।

অহুমশুবা জেন্দরগী মহৈরোয় মরি অমসুং হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মহৈরোয় ৫৩০৭ সু একজাম থারি। ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা একজামিনেসন সেন্টর ৩৪৪৪ অমসুং মসিগী অকোয়বদা সেক্সন ১৪৪ চল্লাইখি অমসুং থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা একজামিনেসন সেন্টর পুম্নমক্তা পুলিস পার্সনেলশিং মতিক চানা দিপ্লোই তৌখি।

গভর্নমেন্ট ওফিসার ৬০,০০০ না একজামিনেসনশিং মোনিটর তৌখি।

# দেবে গৌড়াগী লোয়নবী চেনামাদা ইনকম টেক্স নোটিস পীখ্রে

হাসন, মার্চ ২৮ (এজেন্সী):
হান্নগী পিএম দেবে গৌড়াগী লোইনবী চেনামাদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা নোটিস থাখিববু জেদি-এসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। মদু পোলিটিকেলগী ওইবা লম্মন খুম্বগী খোঙথাং অমনি হায়না দেবে গৌড়াগী মচানুপা ঐচদি রেবানানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরগী লোইনবীদা আই-টি নোটিস ইস্যু তৌদুনা প্রোপর্টিগা মরী লৈনবা অকুপ্পশিং পীরক্লবা খঙহল্লক্লে। তৌইগুম্বসুং মসিদা ঐহাক্না হংনিংলিবদি ঐহাক্কী ইমা অমসুং ইপানা লুপা ক্রোর কয়া পৈশিনখিবগে হায়বসিনি। মমাঙদা ঐহাকসু আলুগী ফার্ম তৌখি। হৌজিক্না ঐহাক্না চু থারে। মখোয়না ঐখোয়দা নোটিস ইস্যু তৌরক্লিবসিগী পাউখুম ঐখোয়না শোয়দনা পীগনি।

রুল্লিং বিজেপিনা চথরক্লিবসি লম্মন খুম্বগী পোলিটিক্সনি। রিজনেল ট্রান্সপোর্ট ওফিসর্স (আরটিও)শিংনা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম তাশিন্নরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়দা কনানা নোটিস ইস্যু তৌগনি। হৌজিক ফাওবদা মখোয়না লন কয়াম য়াম্না তাশিল্লবগে হায়বসি কনানা খঙবা ঙম্বগে হায়না মহাক্না হংখি।